## মাওইষ্টকী বোম লাংদা সিক্যুরিটি পর্সনল অমা শোক্লে

রায়পুর, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : ছটিসগরদা মাওইষ্টনা সিক্যুরিটি পর্সনলশিংদা টার্গেট তৌদুনা প্লান্ট তৌরম্বা আই ঈ দি অমা পোকখায়বগী থৌদোক্তা ১৫২ শুবা সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স বট্টালিয়নগী এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর অমা অশোক অপন নঙখ্রে হায়রি।

পুলিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮.৪৫ তাবা মতমদা তরেম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা পেগদাপালি ভিলেজদা থোকখিবনি। সী আর পি এফ পর্সনলশিং অসিনা আর ও পি চৎলিঙৈদা বোম অদু খঙহৌদনা পোকখায়রকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা এ এস আই মুহমদ অস্লম খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চংখ্রে। মহাক্কী হকচাংগী ফীভম খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি। অমরোমদা, বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মফম অদুদা চঙশিন্দুনা অকোয়বগী শরুক্তা থিহুন্নবগী থবক চংথবা হৌখ্রে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## রাহুল গান্ধীনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

চান্দিগর, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎতা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদরসু ওইরিবা পার্টি অসিগী এম পি সন্তোখ সিংহ চৌধুরিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা অৱাবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা এম পি অসি কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি মপাঙ্গল কনবা য়ুন্বী অমা ওইনা লেপ্তুনা থবক তৌরমখিবা মীওই অমনি হায়রি। মশাগী চহী ৭৬ লোম শুরবা টর্ম অনীরক এম পি ওইরম্লবা সন্তোখ ঙসি হার্ট এটেক তৌরকপদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

## স্লম দিমোলিসনগী মতাংদা আম আদমি পার্টিনা বি জে পি ওফিস মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : দেল্লিগী সিটি গভর্ণমেন্টনা পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্টদা ধৌলা কুৱান মনাক্তা লৈবা স্লম এরিয়াশিং তকখায়নবা ওর্দর তৌখিবা অদুবু আম আদমি পার্টিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙসি দেল্লিদা লৈবা বি জে পি ওফিস মমাঙদা এ এ পিগী থৌমী কয়ানা খোঙজং চঙশিনখ্রে হায়রি।



মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৯ দা পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্টনা ধৌলা কুৱান এরিয়া মনাক্তা লৈরিবা স্লম দ্বেল্লরশিং নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা নোটিস ইসু তৌখিবনি। থৌওং অদুবু আম আদমি পার্টিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নোটিস অদু ৱিদ্রো তৌনবা দিমান্দ তৌনবা লাকখিবনি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি বি জে পি ওফিস মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখিবনি।

স্লম এরিয়াদা মীওইশিং মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্টনা ওর্দর তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা এ এ পিগী এম এল এ সোম্নাথ বার্টিনা ফোঙদোকখিবদা আম আদমি পার্টি লৈরিঙৈদা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংগী য়ুম থুগায়বগী থৌওং চথবা য়ারোই। বি জে পিনা মতম পুম্বদা দেল্লি মীয়ামগী মায়োক্তা থবক তৌরিবা অদু তোক্কদবনি। দেল্লিদা লৈরিবা মীয়ামসু লৈবাক অসিগী সিটিজেননি হায়বসি বি জে পিনা কাওরোইদবনি। এ এ পি মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা বি জে পিনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংদা চৈথেং ফংহনবগী থবক তৌরোইবনি। অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং অসিনা এ এ পিবু কৈদৌনুংদা মায়থিবা পীবা ঙম্লোই হায়রি।

অমরোমদা, এ এ পিগী অতোপ্পা এম এল এ অদিল অহমদনা ফোঙদোকখিবদা স্লম এরিয়াশিং তকখায়নবা থোকখিবা ওর্দরগী মায়োক্তা ঙসি লম্বীদা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লি। খোঙজং অসি পার্লিয়ামেন্ট য়ৌরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। বি জে পিগী মেনিফেষ্টোদা স্লম এরিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংগী য়ুম পীগনি হায়না য়াওরি। অদুগা হৌজিক্লা স্লম এরিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংগী য়ুমশিং থুগায়নবা ওর্দর থোরক্লি। মসিমক বি জে পিগী মমায় অনী লোঙবা শক্তম অদু মীয়াম মমাঙদা উৎথোকচরকপনি। নিংথমথাগী মতম অসিদা মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাংমদা পি দল্লিয়ু দিনা থোকখিবা ওর্দর অদু খুদক্তা কেন্সেল তৌগদবনি হায়রি।

## একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা লৈঙাক লাক্লিবা থা অনীগী মনুংদা মায়থিরগনি ঃ অদিত্য থাক্রে

থানে, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : সিভ সেনা (উধব বালাসাহেব থাক্রে) গী লুচিংবা অদিত্য থাক্রেনা মহারাষ্ট্রদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পিগা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা ওইদবা তৌবা অমদি মরুপ হাৎপা লৈঙাক্লি হায়না মরাল শিখিবগা লোয়ননা একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসি থা অনীগী মনুংদা মায়থিবা নঙলগনি হায়রি।



মহারাষ্ট্রগী থানেদা পাঙথোকখিবা থবক্কী মেলা হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামশিং মরুওইনা নহাশিংনা মরুপ হাৎপা মীচেলশিংগী মায়োক্তা শোয়দনা লেপকনি হায়বগী থাজবা লৈ। একনাথ সিন্দেনা সিভ সেনাগী মীংদা বি জে পিগা পুনশিন্নদুনা শেল্লিবা অনৌবা লৈঙাক অসি মীয়াম্না য়াবা লৈঙাক অমা ওইদে। নহাশিংনা অসিগুম্বা মশাগীদা খনবা মীওইশিং অসিবু পারা তন্বীবগী মতম ওইরে। একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা সিভ সেনা ফেক্সন অসিনা মহারাষ্ট্রবু চাওখৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামবু তোখায় তোখায় তাহন্নবা হোৎনরি। মহারাষ্ট্রদা পুন্না সিভ সেনাগী এম এল এ ৫৫ লৈবগী মনুংদা একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা টিমদা পুন্না এম এল এ ৪০ চৎখিবনি। অদুগা ষ্টেট অসিগী ওইনা এম পি ১৮ গী মনুংদা ১২ না উধব থাক্রেগী মায়কৈদা লেপ্পুনা লৈহৌখিবনি। হান্না লৈরম্বা পার্টি অসিবু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মীওইশিং অদু মীচেল ঙাক্তনি। অদুগা লেঙদনা লৈহৌরিবা মীওইশিং অদুনা অশেংবা সিভগী লান্মীশিংনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগী মতাংদা ঙসি ফাওবা থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রি। অদুবু অশেংবা সিভ সেনা ওইরিবা ঐখোয়নদি নহাশিংগী খল্লগা থবক্কী মেলা পাঙথোক্লি। মসিগী মথক্তা একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাকখ্রবা মতুং অচৌ অচৌবা ইন্দষ্ট্রিএল প্রোজেক্ট অনী ষ্টেট অসিদগী হনখ্রে। মসিগী মথক্তা হৌজিক লৈরিবা একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা লৈঙাক অসি নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা নমশিন্দুনা থম্নবা হোৎনবা পার্টিনি হায়না মরাল শীরক্লি।

## কোভিকী অনৌবা কেস ১৭৯ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৭৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৭৯ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮০,৯৩৬ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্তিব কেস মশিংদি ২২৪৮ দা হন্থখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ১ শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭২৬ শুখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্তিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি।

## সী বি আইনা ঐগী ওফিসতা রেদ চথুখি ঃ সিসোদিয়া

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : সেন্ট্রল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াগী ওফিসতা রেদ চথুখি হায়না এ এ পিগী লুচিংবা অসিনা ক্লেম তৌখ্রে। অদুম ওইনমক সেন্ট্রল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অসিনদি সিসোদিয়াগী ওফিসতা রেদ চথুখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লি।



মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না সী বি আইগী টিম অমা ঙসি মহাক্কী ওফিসতা লাকখি। মখোয়না লাকপা মতমদা মহাক্না মতম পুম্বদা তরাম্না ওকই। মখোয়না ঐগী য়ুম, ওফিস, ঐগী লোকরশিং অমদি খুঙ্গংদা লৈবা ঐগী য়ুমদা থিহুন্নবগী থবক চথুদুনা লাক্লি। ঐনা অরানবা থবক তৌরুদবনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবদা সী বি আইনা মহাক্কী মথক্তা মরাল শীবা য়াবা খুদম অমত্তা ফংবা ঙমদবনি। অদুবু মতম পুম্বদা বি জে পিনা লৈবাক অসিগী মমল য়াম্লবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিংবু লান্না শীজিন্নদুনা লাক্লি। মসি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবা থৌওংনি। দেল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্ণর ভি কে সক্সেনানা মতম পুম্বদা দেল্লি লৈঙাক্কী মায়োক্তা থবক তৌদুনা লাক্লি হায়নসু মরাল শীরক্লি। অমরোমদা, সী বি আইনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াগী ওফিসতা মরুওইবা দোক্যুমেন্ট খরা লৌনবা চৎলুবনি। রেদ চথুখিবদি লৈতে হায়রি।

## ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা য়াম্না চেকশিনগদবনি

কোলকাটা, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ইকোনোমিষ্ট অমসু ওইরিবা নোবেল লৌরেট অমত্য সেননা ঙসি ফোঙদোকখিবদা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা রিজনেল পার্টিশিংনা য়াম্না চেকশিন্না মথৌ তৌনবা হোৎনগদবনি হায়রি।



মশাগী চহী ৯০ রোম শুরবা ইকোনোমিষ্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনজিনা ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনহনবা ঙম্বগী থৌনা লৈরবদি পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অদুদা মমতা বেনর্জিনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা ফাওবা ঙমগনি। মসিদি মহাক্কী থবক্কী মখা পোল্লি। রিজনেল পার্টিশিংনা মসিগী মতাংদা ৱাখল খন্থবগী মতম ওইরে। দি এম কে অমসুং সমাজৱাদি পার্টি অসি লোক সভা মীখলদা মরুওইবা পার্টিশিং ওইনা থবক তৌরক্কনি। বি জে পিবু মায়থিবা পীবা ঙম্লোই হায়না ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা খল্লিবা ৱাখল অদু থাদোক্কদবনি। বি জে পিনা হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওইশিংদা টার্গেট তৌরগা মায় পাক্লবা লম্বী শেল্লকখিবনি। লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা লৈবাক অসিগী অরিবা পার্টি ওইরিবা কোংগ্রেসনা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) অমসুং নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) য়াওনা পার্টি কয়াগী লুচিংবশিংদা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থবক তৌমিন্ননিংবগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রে। পুনশিন্দুনা থবক তৌরবদি বি জে পি মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়বসি কোংগ্রেসকী থাজবনি। কোংগ্রেসকী ৱাখল্লোন অসিদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা থবক তৌরবদি শোয়দনমক্কী বি জে পি মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়রি।

## ফি পীদে হায়বগীদমক মহৈরোয় ১ এগজাম থাহনখিদ্রে

মুম্বাই, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : মহারাষ্ট্রগী দাদর এরিয়াদা লৈবা মমিং লৈরবা স্কুল অমদা তম্বা মশাগী চহী ৮ লোম শুরবী মহৈরোয় নুপীমচা অমা অৱাৎপা স্কুলগী ফিশিং থিদোক্তে হায়বগীদমক য়ুনিট টেষ্টতা শরুক য়াহনখিদ্রে হায়না ফোঙদোক্করকপদগী পুলিসনা হীরম অসিগী মতাংদা স্কুল অদুগী প্রিন্সিপাল অমদি ওজা অমগী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

ক্লাস টু তম্লিবী মহৈরোয় অসিগী অপোকপনা ঙরাং থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসতা কমপ্লেন তৌরকখিবনি। হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা স্কুল অসিগী ওইনা পাঙথোকখিবা য়ুনিট টেষ্ট অমদা মহাক্কী মচানুপীবু ফি থিদোক্তে হায়বগীদমক শরুক য়াহনখিদবনি হায়রি।

কমপ্লেন অদুগী মতুংইন্না মহাক্কী মচানুপী অদুবু ক্লাসরুমদা অতোপ্পা মহৈরোয়শিংগা পুন্না ফম্মীন্নহনবগী মহুৎতা মতোমতা তোঙান্না ফমহন্দুনা ইকায়বা পীবগী থবক থৌওংশিংসু চথুখি। থৌওংশিং অসি কা হেন্না চথুরকপদগী পুলিসতা কমপ্লেন তৌবনি হায়রি। অমরোমদা পুলিসনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস লৌখৎতুনা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীফা মীপুনগী পাউ লৈত্রি হায়রি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST, MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 8/SDC/SLG/IE - 2023**
**12/01/2023**

Laishram Itomacha Devi W/o (L) L. Itocha Singh of Thambalkhong Kongba Laishram Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Laishram Sana Singh S/o (L) Gulamjat Singh of Wangkhei Thambalkhong. -Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Sagolmang, the 13th Jan. 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহসিল খুল নং 31-Waiton পাটা নং 820 (অরিবা) 436 (অনৌবা), দাগ নং 348, মোট এরিয়া 1.27 একর চাওবা Phourel লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃতু পাটাদারগী মিং কল্লুগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাটাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি/Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang Imphal East

HL-P/5727/15

## মমাঙ চয়োলদা য়ুম অমদি লাইশঙ কয়া নিংখায়খি

সিংহদর, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : উট্টরখন্দগী জোসিমাথ টাউনগী মনুংচনবা সিংহদরদা লৈবা য়ুম অমদি লাইশঙ কয়া থা অসিগী ২ অমসুং ৩ গী লোন্নবা অহিংদা নিংখায়খি। অদুবু লাইবক ফবদগী থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক অপন নঙখিদে হায়না লোকলগী মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হরিস কৌবা লোকলগী মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না থা অসিগী ৩ গী অয়ুক পুং ২.৩০ রোম তারকপা মতমদা অহৌবা মখোল খরা তাবা ফংখি। মুন্না তাশিল্লুবা মতমদা খোঞ্জেলশিং অদু ফক্লাংশিং চেখায়রকপা অমদি কিন্থরকপগী মখোলনি হায়বা খঙবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা নুমিৎ অদুদা মখোয় ইমুংদা তুমদুনা লৈবা কিবদগী অহিংদুনা অহাঙবা মফম অমদা য়ারেক্তুনা লৈখি। মদুগী মতুং মনাক নক্লা লৈবা গভর্ণমেন্ট স্কুল অমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ুম নিংখায়বগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী মরুওইবা চে চাংশিং অমদি য়ুমগী আইটেম কয়া অরেম্বদা মাঙহনখ্রে। মরুওইবা পোৎলম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রবসু অশোক অপন অমদি অশি অনা থোকহৌদবা অসি লাইবক ফবনি। মনোহর বাঘদা লৈবা হোটেল খরগী ফক্লাংশিং চেখায়রকপা হৌখ্রে হায়রি। অতোপ্পা লোকল রেসিদেন্স রিসি দেবীনা ফোঙদোকখিবদা য়ুমগী ফক্লাংশিং চেখায়রকপগী মতাংদা ম্যুনিসিপালিটিদা হায়জখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পায়খৎপম থোকপা থবকশিং পায়খৎলকপা লৈত্রি হায়রি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 19/SDC/IW-L/2023**

1. Soibam Naoba S/o (L) Soibam Nabachandra Singh of Lairensajik Mamang Leikai. -Petitioner

-Vs-

1. (L) Ashem (N) Rani Devi W/o Adar Singh.
2. (L) Asem Tombimacha Devi W/o Shamu Singh.
3. (L) Asem Ibeton Devi W/o Nage Singh.
4. (L) Asem Amuleima Devi of Lairensajik. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

13/01/2023

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত (১) পাটাদার অসেম নিংঙোল রানি দেবী পতি অদার সিংহ (২) অসেম তোম্বীমচা দেবী পতি শামু সিংহ (৩) অসেম ইবেতোন দেবী পতি নাগে সিংহ অমসুং (৪) অসেম অমুলৈমা দেবী লাইরেনশজিককী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৮-লাইরেনশজিককী অনৌবা পাটা নং ১০, দাগ নং ১৩০৫ এরিয়া ০.৪৮০০০ চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang

HL-P/5723/15

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING**

**Ref :- Mutation Case No. 08/SDC/K Dated:- 12/01/2023**

1. Yambem Shyam Singh S/o (L) Yambem Manaoyaima Singh of Kakching Wairi Senapati Leikai.
2. Yambem Sharat Singh S/o (L) Yambem Manaoyaima Singh of Kakching Wairi Senapati Leikai.
3. Yambem Binashakhi Devi W/o Salam Brojen Singh of Kakching Wairi Salam Leikai.
4. Moirangthem Ibeyaima Devi W/o Moirangthem Bikramjit Singh of Kakching Wairi Khullakpam Leikai.
5. Yambem Binarani Devi W/o Mayanglambam Vikram Singh of Kakching Mayai Leikai Leishangthem Pareng.

-Petitioners

-Vs-

(L) Yambem Manaoyaima Singh S/o (L) Yambem Leikham Singh of Kakching Wairi. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

kakching, the 13th January, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, ককচিং তহসিল খুল নং: ৬১-ইরেংবন্দ অনৌবা পাট্টা নং: ১০১৪ অরিবা পাট্টা নং: ৮৫৬ গী দাগ নং: ২১২১ গী লম হেক্টর .৯৩৪৮০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং কল্লুগা উক্ত দংকারিগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কেস অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Kakching

HL-P/5660/15

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM**

**Ref :- Mutation Case No. 05/SDC/H Dt. 12/01/2023**

1. Oinam Iboyaima Singh S/o (L) Oinam Chandra Singh of Wabagai Mayai Leikai.
2. Oinam John Singh S/o Oinam Iboyaima Singh of Wabagai Mayai Leikai.
3. Oinam Jogeshchandra Singh S/o Oinam Iboyaima Singh of Wabagai Mayai Leikai.
4. Oinam Jotin Singh S/o Oinam Iboyaima Singh of Wabagai Mayai Leikai. -Petitioners

-Vs-

(1) (L) Oinam Ibobi Singh S/o (L) Oinam Kula Singh of Wabagai Makha Leikai.

(2) (L) Oinam Nilakamal Singh S/o (L) Oinam Kula Singh of Wabagai Makha Leikai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

kakching, the 13th January, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি হিয়াংলম তহসিল খুল নং: ৬৬-ৱাবগাই অনৌবা পাট্টা নং: ১৬৭ অরিবা ৫২ গী দাগ নং: ৫১৪৬ কী লম হেক্টর .১৩০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং কল্লুগা উক্ত দংকারিশিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কেস অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Hiyanglam

HL-P/5660/15

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 17/SDC/IW-L/2023**

1. Thangjam Shantibala Devi D/o (L) Thangjam Biren Singh of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai. -Petitioner

-Vs-

1. (L) Thangjam Biren Singh S/o (L) Angahal Singh of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

13/01/2023

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাটাদার থাংজম বিরেন সিংহ পীতা মৃত অঙাহল সিংহ সাং থাংমৈবন্দ লাইরেনহঞ্জবা লৈকাইগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৬৩- হৈবোংপোকপীগী অনৌবা পাটা নং ১৭/২৭৮, দাগ নং ১২৯/৩৭৬ এরিয়া ১.২৬ চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang

HL-P/5723/15

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 18/SDC/IW-L/2023**

1. Thangjam Shantibala Devi D/o (L) Thangjam Biren Singh of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai. -Petitioner

-Vs-

1. (L) Thangjam Birendra Singh S/o (L) Angahal Singh of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

13/01/2023

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাটাদার থাংজম বীরেন্দ্র সিংহ পীতা মৃত অঙাহল সিংহ সাং থাংমৈবন্দ লাইরেনহঞ্জবা লৈকাইগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৬১-শঞ্জেনবমগী অনৌবা পাটা নং ১৬৯/২৯১, দাগ নং ১৫০/৩৬৫ এরিয়া ১.২৯৫ চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang

HL-P/5723/15

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING**

**Ref :- Mutation Case No. 07/SDC/K Dated:- 12/01/2023**

Thokchom Ruhini Devi D/o Sougrakpam Kunjakishwor Singh of Mayang Imphal Bazar. -Petitioner

-Vs-

(L) Shougrakpam Kunjakesho Singh S/o (L) Shougrakpam Kamal Singh of Keirak. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

kakching, the 13th January, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, ককচিং তহসিল খুল নং: ৬৫- কৈরক অনৌবা পাট্টা নং: ১১৬৭, অরিবা পাট্টা নং: ৩২ গী দাগ নং: ১৩৮৪ গী লম হেক্টর .১৫৫৫ চাওবা ইঙ্খোল লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং কল্লুগা উক্ত দংকারিগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কেস অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Kakching

HL-P/5660/15

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 7/SDC/SLG/IE of 2023**

Parties:-

Shamukcham Quebeta Devi W/o Puyam Brojen Singh of Khurai Chingangbam Leikai. -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar:-

Puyam Brojen Singh S/o (L) Parthaba Singh of Khurai Chingangbam Leikai. -Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Sagolmang, the 11/1/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহসিল খুল নং 20-Lamboikhul পাটা নং 182 (অরিবা) 344 (অনৌবা), দাগ নং 2259, মোট এরিয়া .97 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃতু পাটাদারগী মিং কল্লুগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang Imphal East

HL-P/5727/15